"অঙাং খুদিংমক কলাকার অমনি। লুরিবদি, মহাক্না চাউখৎলকপগা ইরোয়ননা কলাকার ওইন'সুম লৈব'দুনি।"

\- পেব্লো পিকাসো

## শৈরেং

### বসন্ত লাক্লমাল্লে

**— শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

লৈনাশিংতনা য়োমশিল্লদুনা
মকা ফন্নসু শাৎতোকত্রিঙৈ
ঐবু কৌরকই;
বসন্তগী অয়ূক অসিদা।
ওইথোক্লরোইদবা মীৎকুপ অমদা
মঙানি পানবা থাজগী
মুৎশিরবা মঙাল অদুদা।
কদোমদগীনো কদাই চৎলিবনো
মা-ঐ করিসু হংনখিদে
মসি মতংদি খঙই
কুইনা উনখিদরে হায়বা।
মীৎকুপ কয়ানা শাবনো
থাবুম কয়ানা ওইবনো
চহী কুমজা কয়ানা পুরকপনো,
থেংনখিবা মীৎকুপ অদুদি
পুর্ণিমা থাজদগীসু থোইনা হেন্না
মশেক মঙালগা লোয়ননা
ঐবু কৌরকখি, ঐবু কৌরকখি।

### ঈশ্বর ময়াম নীংলগা

**—নাওরেম মঙ্গি**

ঈশ্বর ময়াম নীংলগা
ঐগী অৱাবা লৈররোইদ্রা
ধুপ ময়াম কৎলগা
অনা অয়েক ফরদ্রা
পূক্নিংসে শান্তি ফংলদ্রা।
সনা লুপা কৎলগা
লাইবক ফবা ওইরদ্রা
মৈরা ময়াম থাল্লগা
চানবীরদ্রা ঐবু মপুনা
পুন্সি নুংশাংনা হিংলদ্রা।
অসুক য়াম্বা লাইয়ামসে
নীংলুবগী মহয়বু করিনো
ঐনা লংজখিবা পাপ্তুবু
লিশীংলক খুরুম্লগা কোক্লদ্রা
নুংঙাই য়াইফবা ওইরদ্রা।

### নুংশিবী ইমা সেকমাই তুরেল

**—ঙাংবম ইবেতোম্বী**

হে ইমা সেকমাই তুরেল
কৌজগেকো নঙবু নমোমনা
'নুংশিবী ইমা মীনুংশি চাউবী'
লায়র-অনং কয়াগী চঙজফম্বু ওইরিবী
অৱা মৈশা কোকপীরিবী ইমা
তরেৎ শেনবু তানফম ওইরিবী
হে চানবীহৈবী ইমা
কংখিনুকো ইমা নঙগী ঈচেল
কুমজা মশীং য়াল্লবসু
ইমাগী ফজবা শক্তমদি কাইখিনুকো।
নিংথম কালেন নাইদনা
পাম্বৈ লৈত্রবী নমোম কয়ানা
কোৎলি মখে লোইবা লৈহনবীনু
নুঙ, লৈঙোই মপৈ মপৈ
ইমা নঙগী নথানুংদগী।
কুমওন কয়া চৎখ্রবসু
মীরোল কয়া লাকপদসু
নথানুংদা অসুম কোনশিনবীখো
লায়র নপারী নমোম কয়াবু
হরাও মীনোক তমহনবীখো
লেল্লা চীংশাং পরেংনসু
খোঙফম লেঙদ ঙাক্লি
অহিং নুংথিল অনীদা।

### অনৌবা উরিনা পুনশিল্লি

**—এম নিলকুমারী**

বসন্ত লাক্লনি খন্দুনা
খিকথখরে ৱাওথাংনরবা উনাশিং।
খামখিবনি উপালনা
অদুবু থওইদে মালং মানা পুখিবনি।
খুইথরবা উশা অনৌবনা লৈতেংলরনি
বসন্ত লাক্লনি খন্দুনা।
পাক্লবা লৌবুক লম্ফাংনা
খাংহৌরি ৱাওরি ৱাওরিবা লৈচিলদা
কুমগী নোংজু ঙাইবনি
ইঞ্জিন্না ঙংলরনি থৌনা লৈনা
লৌরোক পাম্ব্রাগীদমকনি
ফৌগৈ চোন্না হাপ্লগা
লমদা থাগী থানিলদা লৈনা জগোয় শাগনি
খূৎকা খূৎকা খূৎশম্লা।
নুংশি ৱারী শাদুনা নুংশিবগী তাইবঙনি
মীয়োক মীচান ফবীনি
নুংশিবা য়াওদ্রবা পুন্সি অপাম্বা য়াওদ্রবা কনা লৈ
য়াইরিপোক থম্বালনু
ইথিং পন্থিং ওইহনখি
কল্লক য়েংথি মরক্তা।

### ফম তারবা মন্ত্রি

**—ডা. নির্মলা রাজকুমারী**

ফম তারবা মন্ত্রি কাংলেনজাও
নোংঙানবগা থোরকই ময়ূমদগী
অমনবা ফৈজোম অমা শেৎ
মল্লবা কুর্তা মথক্তা
নেহরু কোলরগী
ৱেষ্টকোট অমা লিৎ
ৱারেম ঙাওই হোটেলদা
রাশি ইয়াও য়াওদনা
চা তলগী পৈশাদি বাকিদা
অদুঙৈ মন্ত্রি ওইরিঙৈ
তাঞ্জহৌবা শেলদুসু
লোইখ্রে মথংগী ভোটতা
কাসু কাহৌদ্রে।
অদুঙৈ মন্ত্রি ওইরিঙৈ
ফিরাল থেৎপা কার তোংলিঙৈ
লম্বীদা চৎলম্বা মীগা
য়েংবীবা নত্তে হন্না।
হৌজিক্তি থোরক্লগা
খাম্মী অরাকপা গাড়ী
নপকদবগী মনিংদা।
উশিন্নদে হৌজিক্তি
মানা থোরকপদা মীনা।
চঙলুই লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদা
ৱানোম্বীনবা মীগী
অদুঙৈ মাবু উবদা
মখূৎ লোন্নরম্বা ওফিসর
উশিন্নদে ঙসিদি মাবু উবদা
পাম্বৈ লৈতে ফম তারবা মন্ত্রি কাংলেনজাও
চৎপা মখে চৎলুরগা
হঞ্জিল্লকই নুমিদাং ময়ূমদা
য়ূমগী লোয়নবীনা থোংবা কাংশোইদো
চারগা পোথারে
ফম তারবা মন্ত্রি কাংলেনজাও।

### মতমগী নোংলৈ

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

অঙাং নাৱা ওইরিঙৈ
অফ-ফত্ত খঙদ্রিঙৈ
চেন্দুনা চোঙদুনা শান্নরম্মী
ইনীং ইখা তমদুনা
অমত্তা ওইরম্মী ইথ্বোন্নুং
পুকচেল খোয়জেল তিন্নরম্মী
মীনা লাকচবা য়ান্নরমদে;
অরৈ লৈত তান্নদুনা
য়েন্ন য়েন্নদুনা চামিন্নরম্মী
থবক থৌরম খুদিংদা
লৈকায় হুপ্না তেংবাঙনরম্মী
ঐগী নঙগী মহাক্কী
থোইনা থিন্নরমদে ওইজ-ওইথক;
অওনবা মতমগী খোঙচত্তা
হুল্লকপা নোংলৈগী শাফুনা
মচু ওলহনখ্রে তাইবঙপান
ইশাগী ওইজবনা মাঙ থান্নরক্লে
ঐঙোন্দা কান্নদ্রদি কৈদৌরুনি
হায়দুনা ঙম্নমক খন্নরক্লে;
তাদ, মাম্মা, ইনে, ইন্দোল
মমি শামজিল্লক্লে মিঙ্গৌশিংদো
লৈকায়গী শক্তম মাঙশিল্লক্লে
চেকপলনা খুরক হাংলক্তরে
মাঙলোমদা চৎলিবনি খল্লিবশা
ফুদিংতা মাঙজোং চোংলিবনি
হায়বসে খক কাউগনুকো।

### তাঙ্কক অমনা

**—রাজকুমারি মীনা**

মীৎয়েং অমা লানবদা,
থম্মোয় কয়া কায়নরি।
নীংবা অমা কায়বদা,
পুন্সি কয়াসু কেম্নরি।
ঙরাং শোক্তুনা লৈহৌরিবী
পলেম ইমাশিং মখোয়গীদমক
লাংতক্লবা পোক্লি থম্মোয়দা।
চুখৎপা হৌরবা মৈরিদো,
মৈশা লাংবসু হেনগৎলক্লি
পুংজা খুদিং, মীৎকুপ খুদিং।
করবার ৱালাশিং পরা তম্বীবা ফৈ
চপ মান্ননা হায়নরুবা য়াওদনা।
থম্মোয়শিংদুদা ফাওনখি
পিরাং পিরোইনরবা ইমাশিং।
নবদ্বীপ্তা লেংখিবা-
শ্রীযুৎ চূড়াচান্দ মহারাজ
চেঙ থাবা থিংঙু,
টেলিগ্রাম তৌদুনা খঙহনখি।
পোলিটিকেল এজেন্ট মিষ্টর জিমসন
ইম্ফালদা তন্না হল্লক্তুনা
ইমা ময়ামবু থেমজিনবা হৌরকখি।
ওইনাম নীংঙোল কোন্সম ওংবী ইবেমহল,
ৱাংখে লৈকায়, ইম্ফাল।
তোংব্রম নিংঙোল শাবি দেবী,
ৱাংখে নীংথেম পুখ্রি মপাল, ইম্ফাল।
য়াল্লবা ইমাশিং অদুগী মনুংদগীনি।
করিগী নীংশিংলোইদগে পূম্নমক
করিগী শোন্নরোইদগে অতৈদু।
শকমিন্নখিবনি অপুনবগী ঈশৈ অমত্তা ওইনা
লাওমিন্নখিবনি অমত্তগী ওইবা খোল্লাউ
খোম্হোক লৈনা, খোঞ্জেল হৌনা।

### মতম

**—অঙোম ইবোমচা**

মতম কৌবী লাইরেম্বী
খোঙজেল য়াঙবী অতাঙবী
মিৎকুপ অমত্তসু পোথাদে
তেক-তেক খোঞ্জেন্দা
লেপ্তুনা চৎলি লেপ্তুনা।
ঙাইবীদে কনাবুসু নঙনা
অচান মীরাই নাইদুনা
কৌবদসু তাবীদে নঙনা
ঙাইহাক্তা ঙাইবিখোহায়বদা।
তাঙইদকো নঙগী মমলসে
লৈঙমদেকো পৈশানা
স্নাজিংগুম পৈরবসু
লৈগে হায়না নঙবু।
নঙবু মশক খঙদুনা
মথৌদা পূক্নিং লুপ্পতনা
ওইরকইকো অথোইবা মী
তাইবঙ মীরমলেনসিদা।

---

মতম মতমগী ৱাখল

# মণিপুরদা মারৱারীশিং

নুংলেপ্পম শ্যামকহ্নাইনা ইবা লাইরিক **'ইম্ফালদা মারৱারীশিংগী খুন্দারোল অমদি অতৈ ৱারেংশিং'** হায়রিবা লাইরিক কুমশীং ২০১৫দা ফোঙখ্রবা লাইরিক্লি। অমুক নৌহৌননা পারুবদা হান্না পাখিবদগী অমুক হেন্না নুংঙাইবা ফাওরকখি। লাইরিক অসিদা য়াওরিবা হীরম ৱারেং খূদিংমক অইবনা ৱাখলনা শাগৎলগা ইবা অমত্তা নত্তে। অইবগী মাঙদা মরি লৈনবা চে চাং, ডোকুমেন্ট ময়াম অমা থল্লগা ইরকখিবনি। মণিপুরদা মারৱারী লৈরকপসি কুইরে, মখোয়না লমদমসিগীদমক করি করি থবক পাংথোকখিবগে হায়বসিনা ৱারেংসিগী মরুওইবা ৱাফমনি। মণিপুরদা মারৱারিশিংনা লাকখিবা অসি ললোনবা লাকপদগী লৈখিবনি। সাহেবনা মণিপুরদা চঙলকখ্রবদা মখোয়গী চাননবা চেঙ হৱায় অমদি অতৈ পোৎলমশিং পীনবা হোৎনবদা মখোয়বু সাহেবশিংনা অয়াবা পীদুনা লমদম অসিদা লৈহনখি। মণিপুরদা মমাংঙৈদগী হৌনা মীতোপ চঙলকপদা অথিংবা লৈরকখি, মারৱারীশিংনা চঙলকপদা অথিংবা থমখিবগী ৱারোল চৈথারোল কুম্ববাদা ইরম্বা ৱারমশিংসু লৈরি। মারৱারীশিংনা মণিপুরদা লৈরক্তুনা মখোয়গী ললোন ইতিক চাউনা তৌরকপা, লমদমসিগী চানবা চেঙ-চাক ৱানশিন্দুনা মপান্দা থাদোকলকপা, চেঙ তাংবগী ৱাফমদগী লৈপাক ঈরাং হৌরক্তুনা নুপী লাল ফাওবা থোকখিবা মাঙলমচৎতা লৈখি। নাকল অমরোমদা মণিপুরদা লৈরিবা মারৱারীশিংনা মহে তম্নবা স্কুল লীংখৎলকপা, লাইব্রেরী লীংখৎলকপা,অনা-লায়েংগী হোস্পিটাল লীংখৎলকপা, মীয়ামদা কান্নবা ফংহন্নবগীদমক থবক থৌরম কয়া পায়খৎলকপসু লৈখি। অসিগুম্বা পাউদম কয়া অসি অইবনা দরবার রেকোর্ড অমদি অতৈ লৈঙাকলোনগা মরি লৈনবা রেকোর্ড কয়াদগী খোমগৎলগা ৱারেং অসিদা থম্বীরি। মসিগী কান্নবা, মমলসি লমদমসিগী মীয়ামগীনি। লাইরিক অসিগী মিংথোলসু ৱারেং অসিনা ওইবতা নত্তনা অইবনা মরুওইনা থম্নিংলিবা ৱাফমসু ৱারেং ময়ামসিগী মনুংদা মারৱারীশিংনা হোৎনরকখিবা কয়া অসি মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনবসিনি।

লাইরিক অসিদা অতৈ ৱারেংশিং **"লোংজম রোমা সিংহঃ মরৈবাক নুংশিজবা জেনেরেল অমা"** হায়রিবা ৱারেং অসিদা রোমাসিংগী মতীক মগুণ তেন্তক্লা তাকই। চহী তরেৎ খুন্তাকপদা মণিপুরগী মীয়াম্না থেংনখিবা অৱাবশিংগী মশক নীংশিংহল্লি। কনাগুম্বনা মশাগী খুদোং চাবা লৌনবা হোৎনবদা নিংথৌ শেম্বা য়াওশিনবা, পুকচেন লেপ্তুবা মতৌ, লৈবাক ঈরাং হৌহন্নবা শীনবা কয়া অসিগী ওন্নবদা রোমাসিংদি 'নিংথৌ খনবা য়াও, নিংথৌ শেম্বা য়াওরুনু' হায়বা ৱাফমশোমদনা হেন্না পামজবা, মরৈবাক নুংশিবগী মতৌ, মথৌনা অদুনি ৱারেংসিদা থল্লিবসি। মহাক্কী থৌদাংশিংগী মনুংদা মণিপুরগী ঙমখৈ অকক্লনা থম্নবা অমদি ঙাক্লবা হোৎনরম্বা অসিনৈনরি। হৌজিক্কী মতমদা ঙমখৈগী ৱাথোক,চয়েৎনরিবা অসি অইবনা নৈননবা মফম অমা থল্লি।

মহাক্কী অনীশুবা লাইরিক অসিদা য়াওরিবসি **'নেপ্রা মেঞ্জোরগী অশেংবা মমিং থিবা অমদি অঙম্বা ওইবা'** হায়বসিনি। নেপ্রা মেঞ্জোর মণিপুরগী ইতিহাসতা য়াম্না মরুওইখিবা মীশক অমা ওইনা ঐখোয়না তারে। মীপূম খূদিংমক্না মহাক্কী মমিং তাখিদবা খঙখিদবা লৈতে অদুবু নেপ্রা মেঞ্জোরগী অশেংবা মমিংসি করি কৌখিবগে হায়না ঙসিফাওবা পন্নদে হংনখিদে। নেপ্রা মেঞ্জোর হায়বসি ফমগী মমিং ওইগনি মহাক্কী অশেংবা মিংদি **তুম্ব্রসিং**নি হায়না নেপ্রম শাগৈগী চাদা-নাউদা থিগৎতুনা পুথোক্লি। মসি অইবগী য়াম্না চাউবা থিজিনবগী মায়পাকপনি অমদি কান্নরবা ইনর্ফোমেসন অমা ওইগনি। চুম্মী মাঙলমচৎতা ঐখোয়গী শক্লাইখিবা অঙম-অথৌ কয়া লৈখি। চৎনবী অমা ওইনা ফমথোন পীরকপদা অশেংবা মমিং লোৎশিল্লগা ফমথোন অদুনা মমিং ওইন খঙনখিবা কয়াসু লৈখি । মসিগী অফ-ফত্তা অনীমক লৈগনি। অদুবু মতাং খরদদি অশেংবা মিং অমদি শাগৈ নাতৈ খঙদবা য়ারক্তে। মসিনা তুংগী মীরোলদা চমন্নবা পোকহল্লি।

মসিগা মান্নবা ৱাফমসি **"পাউনা ব্রজবাসিগী পূন্সি ৱারী অমসুং মরৈবাক কন্নবগীদমক লৌখিবা থৌদাং"** হায়বা ৱারেং অসিসু অমনি। পাউনা ব্রজবাসিগী অশেঙবা মিং লৈরি। মরৈবাক মজাতিগীদমক্তা চোংথোকখিবা মথৌনা লৈবা মীশক্লি। মহাক্কী পোকফম, লৈফম, শিখিবা মফম, তারিক লৈপাক মীয়াম্না নাখে শেঙনা খঙনদবা কয়া লৈরি। হৌজিকসু ৱায়েৎনরি। লাইরিক অসিদা অইবনা একাউন্ট খরদি হাংদোকপীদুনা মীয়ামগী মিৎ নাকোং ওইহল্লি। অইবনা, চয়েৎনরিবা পাউনাগী মতাংসি ৱারেং অসিনা অরোয়বা নত্তে মখা তানা থিজিনবদা মপুং ফাবা, পূন্সি ৱারী অমা শাগৎপদা মতেং ওইনবনি হায়না ইঙ্গিৎ অমা পীবনি। মহাক্কী মখা তারকপা ৱারেংদা **"হিজম ইরাবত সিংহগী রাজনীতি অমসুং মণিপুর এসেমব্লি ইলেক্সন ১৯৪৮"** অসিদা অইবনা য়াম্না মরুওইনা মার্ক তৌনিংলিবসি লৈঙাকলোন্দা ইরাবতনা লৌখিবা থৌদাং অদুনি। হিজম ইরাবতকী মতাংদা লাইরিক কয়া লৈখ্রে, মীয়াম্না কয়ারক নৈনখ্রে। নৈনবগী লোইবা নাইদে অদুবু অমখক্তি মহাক্কী রাজনীতিগী খোঙচৎনা মণিপুরী মীয়ামবু মীৎকপ থোকহল্লম্মী হায়বসিনি ৱারেং অসিনা তেন্দল্লি।

**"অরাম্বম দরেন্দ্রজিৎ সিংহগী পূন্সি অমসুং থবকশিং অমদি সঞ্জেনবম নদিয়াচান্দ সিংহগী পূন্সি ৱারী"** ৱারেং অনী অসিমদি অইবা লাইওইখ্রবা মণিপুরী কবিশিংগীলক্তগী মরুওইনা লৌখৎলকপনি। অনীমক মণিপুরী খোরিরোল চাউখৎনবা হোৎনবদা চাওনা থৌদাং য়াখিবা মীশকশিংনি। মান্নদবা অমত্তংদি সঞ্জেনবম নদিয়াচান্দি লৈঙাকলোনগী থৌগাইদসু শরুক য়াখি। মসিনা মহাক্কী খোরিরোলদা তোপ-তোপ্পা মফম অমসু লৈরকখি। ৱারেং অনীমকসি লাইরিক অসিদা নুংলেপ্পম শ্যামকহ্নাইনা মনুংহুৎনা নৈনরি।

শ্যামকহ্নাইগী লাইরিক অসিগী নুংঙাইবা খোঙচৎ অমা অসুম পাথরকপদা থেংনরি মদুদি- য়াওরিবা নৈনরিবা, ৱারেংশিং অসি লমদমসিগী মীয়াম্না তাখ্রবা, থেংনখ্রবা ঙাক্তনি। নৌনা অমুক অৱাৎ-অপা হাপচিনবা, খরদনা অমুক হন্না নীংশিংলকহনবা মওংদা লাইরিক অসিগী নাচোম শেল্লি। নুংঙাইরিবদি ৱারেংশিং অসিগী মথং-মনাও অসিনি। মথং মনাও অসিনা পরিং ওইনা লৈঙাকলোন, খোরিরোল, খুন্নাইলোন শুনবা ৱারেং অসিনা মথং মথং পুরি। **"লাইশ্রম যোগেশ্বর সিংহঃ অহানবা লোক সাভাগী মেম্বর"** ৱারেং অসিসু অমনি। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা মরুওইবা ইসু খরা লৈরি। ইসুশিংগী মনুংদা কবো ভেল্লি অসি য়াম্না মরুওইবা ইসুনি। কবো তম্পাক অসি ভারত সরকারনা করম্বা থৌশিন-থৌরাং তৌরি হায়না হংখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা-ঙল্লিঙৈদা ভারত সরকারগী হোম পুখিবা ডা কাটজুনা হায়খিবা ৱাফম নীংশিংহল্লি-

The kabow valley is now integral part of Burma and the question of asking the Burma Government to transfer the territory to India does not arise. The Maharaj did make some representations but the Government of India then thought that his case was very weak.

লাইশ্রম যোগেশ্বরদি মতমদুগী মণিপুরগী রাজনিতিগী দলশিংনা তুমিন লৈশিনবসি পেন্দবা ফোংদোকখি লোয়ননা পেন্দবা অদুমক্না রাজনিতিগী সর্কলদগী লাপ্না লৈখি। মহাক মরুওইবা অইবনি, জর্নেলিষ্টনি হায়বসি ৱারেং অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লবা হোৎনরি। মণিপুরনা নিংথৌ পানবা মনিংতম্বা লৈপাক অমা ওইরম্বদগী মশাগী লৈঙাক মুৎখিদুনা ইন্দিয়াগী লৈঙাকলোন্দা য়াওশিনখ্রবা মতুংদা অহোংবা কয়া লাকখি। য়ানিংবা য়ানিংদবা কয়া থোরকখি। রাজনিতিগী পার্টি কয়া পীকখ্রবা লমদম মণিপুর অসিদা লিংখৎনরকখি। দল ময়ামগী মনুংদা মণিপুর ষ্টেট সোসিয়েলিষ্ট পার্টি অসি অমনি। পার্টি অসি মণিপুরগী রাজনিতিগী ইতিহাসতা অরিবা অমনি। মসিনা অঙনবা মতমদা লৌখিবা থৌদাংশিং কয়া লৈখ্রি। থৌদাংশিং অদুনা মণিপুরগী ফিভম ঙাকপা ঙমখিব্রা,ঙমখিদব্রা ? মীয়ামদা কান্নবা পীবা ঙমখিব্রা, **"মণিপুর ষ্টেট সোসিয়েলিষ্ট পার্টিগী রাজনীতি অমসুং থৌরমশিং (১৯৪৭-৫২)"** ৱারেং অসিদা অইবনা চেনা তারামাপললোম শাংনা ইদুনা কূপ্না নৈনরি। লাইরিক অসিদা খ্বাইদগী অশাংবা ৱারেংসি মসিনি, মসিগী মরুওইবসু লৈরি। লাইরিক অসিগী তারা শুবা ৱারেং "মণিপুরদা জর্নেলিজম চাউখৎলকখিবা (১৯২২-১৯৪০) অসিদনা অমুক মণিপুরদা প্রেস লিংখৎলকখিবা,মণিপুরদা জর্নেল ফোঙলকপা,মণিপুরদা অহানবা ছাপা তৌবা চেফোঙ 'য়াইকাইরোল', মণিপুরগী অহানবা নুংতিগী পাউচে 'দৈনিক মণিপুর'ললিত মঞ্জরি পত্রিকা, চয়োলদা অনীরক ফোঙখিবা চেফোঙ 'মতম', মণিপুর পাউজেল অসিনচিংবা কলমশিং অসি মচা খায়না পুথোক্তুনা তাক্লি,নৈনরি। মণিপুরদা জর্নেলিজম ইহৌ অসি হৌজিক্কী মতমগা য়েংনরুরবদি অঙনবনা হেন্না লূমনা লৈবগুম উই। মসিগী মরমদি পোৎশকশিং পুথোকলকপদা য়াম্না মমল য়াম্মি, অখন্নে। লাইরিক-লাইশু য়াম্না পারগা অমদি খঙলগা হীরম অসিদা চঙশিনবা,খোঙ থাংজিনবা মীওইশিংনা নমনা ওইখি হায়বসি পাংথোকখিবা থবকশিং অদুনা ময়েক শেংনা উহনবা ঙম্মী। **'মণিপুরদা লাইব্রেরী লিংখৎলকপা (১৫শুবা চহীচাদগী খৃঃ১৯৫০ ফাউবা)** হায়বা ৱারেং অসিসু হেক থংননা লৈরিবসি য়াম্না চানৈ, মতাং চাই। লাইব্রেরীগী ঈহৌসি মমাংঙৈদনা হেন্না হৌরম্বগুম তৌই। লাইওইখ্রবা অইবশিং হিজম অঙাংহল অমদি হিজম ইরাবতকী কৎথোকপা ঐখোয়না থেংনৈ। ৱারেং অসিদা অইবনা লাইব্রেরীগী ৱাফম পুশিল্লকত্রিঙৈদা লাইরিক ময়েক চৎনরকপা, তম্বগী মওং, লাইরিক হৈবা মীগী চন্নফম, কোনুংগী লাইরিকশঙ লিংখৎলকপা, পন্দিত লোইশঙ, লাইরিক লেংবা কাঙলুপ হায়না লমদম অসিদা অঙনবা মতমদা চৎনরম্বা কাঙলোন খরদা মাঙদা থম্বীরম্লগা মখা তারকপদা বৃটিশনা মণিপুরদা পানবা মতমদগী ওইরকখিবা, লীংখৎলকখিবা স্কুল অমদি পব্লিক লাইব্রেরীনচিংবা লীংখৎলকখিবগী পরিং অসি য়াম্না মথং মনাও নাইনা ইরি। ৱারেং অসিগী অরোয়বদা অসুক ৱানা থমলকখিবা ইতিহাসকী রেকোর্দ কয়া থৌদোক অমদা, কাঙলুপ খরনা পেন্দবদগী মৈ থাখিবগী মাঙজবা অদুফাওবা অইবনা নুংঙাইতবা উৎলি । অমুক হন্না ফংগে হোৎনবদা ৱারগদবা অমনি। ঐখোয়না তাঙনা ফংবা লনশিং তুং কোইনা লৈহৌনবা ঙাকশেনবা মথৌ তায় হায়বদুসু ৱরেং অসিদা মরুওইনা পল্লি। লাইরিক অসিগী অরোয়বা ৱারেং অসি "চকপা হরাউফম অমসুং কলচর" হায়বসিনা ওইরি। চকপগী মরমদা ইবা অরিবা লাইরিক খরা লৈখ্রে। লাই হরাউবা হায়বসি লমদমসিগী তম্পাক লমদা খুন্দারিবা মীওইশিংগী মরুওইবা থৌরম অমনি। হরাউবগী মখল কয়া লৈরিবশিংগী মনুংদা চকপা হরাউবা অসিগী মান্নদবা অৱাংবা ৱাংউলোন তাকপা লৈরি। হেন্না কূপশিন্না থিজিনবা চংই। অইবনা অমুক হন্না মখা তানা থিজিন্দুনা নৈনরক্লবগী ৱাখল্লোন অমদা ৱারেং অসি তেনতক্না থম্মী। অরোয়বদা, শুপচিন্না পঞ্জরবদা, নুংলেপ্পম শ্যামকহ্নাইনা ইবা **"ইম্ফালদা মারৱারীশিংগী খুন্দারোল অমদি অতৈ ৱারেংশিং"** হায়রিবা লাইরিক অসি লমদমসিগী নাৎ কলচর অমদি খোরিরোল নৈনবশিংদা মায় মিৎ পাঙবদা মতেঙ ওইরগদবা ইনর্ফোমেসন পীবা লাইরিক্লি। লাইরিক অসিবু অইবনা অমদি অফোঙবা অশাংবা কমিউনিকেসন ইম্ফালনা পুথোকপীরক্লিবসি মীয়ামগীদমক্লি। মীয়াম্না পাবিবা অমা চঙই। মীয়ামদা কান্নবা পীরবা লাইরিক অসি পাবিদ্রগদি অইবা অমদি অফোঙবগী হোৎনজমল অরেম্বনি।

\- **মাখোনমনি মোংসাবা**

---

ৱারী ককনাউ

# অকংবা অঙাংবা গুলাপ -৪

অথেংবদা ফরকপা থাবলগুম, থোইবীদা ঐনা মতেং পীরুবা নুমিৎতুগী নুমিদাংদু ঐগী পুন্সিসিদা অমুক কাউবা ঙম্লরোই। মাগী অৱাবদগী ঐগী অৱাবনা শরুক চাম্মা হেনখিবা কোক মৈ খঙদনা কোইচেন চেনখিবা নুমিৎনি। অদুমকপু মাগা থায়না কোইনরিঙৈদফাও হায়দবা নুংশি ৱাহৈ কয়া অমদি ফোন্দা কপ্পা কপ্পগা হায়রকপদুবু ঐবু করম কাউরসিগে। খঙদে ঐনা মীনুংশি চাওমন্দনা তৌরিরা হায়দুদি, মাগী পুন্সিগী অৱাবা ৱারীদুনা ঐবু অতোপ্পা তাইবঙ অমদা পুবগুম তৌখি।

নুমিৎতু ঐ থৱায়সু খজিক নুংঙাইতবোই করিবোই ইমান্নবা অমগা পোৎতু পেগ অহুম মরি পায়শিল্লুরগা নিশা ৱাওরি ৱাওরি পুং ৯.৩০ অদুৱাইদা য়ূমদা হনজিল্লকপনি। ঐগী ইতৌদুদা ঐগী নুপী খঙহন্নীংদদনা, কৈমতা ঙাওদবা শারগা ইমুংদা চঙলে। মনম খঙখিনি হায়দুনা শ্বর ফাও হেক থিংই, মরমদি ঐগী নুপীদু ঙসিদি ঐনা খ্বাইদগী কিবা অমা ওইনা থোকখি। মা খঙহন্দনা ঐনা থায়না কোইরকপী নুপী নুপাগা খাইনরবী অমদা লুপা লাখ অনীখক মতেং ওইনৌ হায়না পীরুবদুনা ইরাল ওইরগা ইশাসে পুমলান লাল্লবা অমগুম্না খঞ্জবনসু ওইবা য়াই। ফিরোল হোংদোক্লগা, কিটচনদা অদুম চঙলে। দাইনিং টেবলদা খিল্লিবা উপ্পগা থনল্লিবা চাক্তু হাংদোক্তুনা মহী তোৎপা হৌবদা ঙাইরি চাখোম অমফাও হুকত্রি। থবক ফবী ঐগী নুপীনা কদোমদগী চঙলকপনো খঙদে,

"করি হাপচরকখোগে?" ঐনা খল্লি মসিবু ঐনা ঙসাই পীরুবদু খঙলবজাৎলা, মদুগী লানগী লানপাউগী মোইবুং খোঙলিবরা? অদুবু চিংনখিনি হায়না খন্দুনা মীৎসি তরং হাইফেৎ চৎলসু লৌশিং মাঙদবা শাদুনা খুমখি।

"কৈনোহে, চাফাও চাদ্রি?" নুপীদু নাকলদা থারিবা চ্যের অমদা ঙেক লাউনা ফমথরগা টেবলদা মখূৎ খুনিংদু মখদাংদা শৌরগা ঐবু মুন্না য়েংলগা থানাগী ৱাহংদৌনা হৌরকই।

"কদাই চৎলুই?" ঐ শ্বাই লাওই, খঙখ্রজাৎলনে?

"থোইবহোয়দা ঙাইহাক ফম্মুবনিদা"

"কনাই থোইবা? নচিনদু থিনুৱো" ঐগী কোকসিদা মাগী অথোৎপা খুবিদুনা ইল্লকই। অদুক তপ্না ইল্লকপদু ঐ লোংনা তাগে তৌই।

"কৈনোহে থোইবনি কৈনো, থোইবা থোইবা শগোলশেম থোইবা?"

"এ মাদি ঙসাই নুংদাংৱাইরম মমশিল্লকপদা সিদা লাক্লগা নঙ হংলম্মীনা, অদুগা করমকান্দা পুল্লুরিবা মোইদা? ওইদবদি ঙাঙনরোইসি, ঐ শাওরক্কনিকো" চেনবা য়াদ্রে, ঐ ঙসিদি লৱাই শমগা অমত্তা য়াওররোই, ঐখোয় নুপীগী হেক শাওরগা শম ফোইবী অমা লৈবনি মদু শোয়দনা তৌরক্লনি হায়না ঐ নুংশা হেন্না হেন্না থিবা হেনজিল্লকই। অদুবু ওৎলৈ পালৈ তৌরগা খুমজিল্লি,

"অদুই মতুংদা ওইরমগনি ঐনা মোইদা দাইরেক্ট অদুম চঙলে, অদুগা ঙাইহাক ফম্মুবনি"

"ও শোয়দ্রেকো?"

"শোয়দে কৈনো, শোয়দদনা লোইরগা হল্লক্লিসিনি"

"করি করি চারকপা?"

"চুম্না সুম ঙা মচা অমা তাওরগা চাবনিদা, মোরোক মেৎপা অমগা"

"অদুখক্তরা?"

"থবীসু য়াওমাল্লে ঙসাইগীদু, এ! য়াওই, তিলহৌসু খরা চিক্লকই"

"অতৈ য়াওদেকো?"

"মানা য়াদদনা পোৎ খরগা পায়শিল্লক্লে"

"কৈনো পোৎ হায়দি, পোৎ হায়বু কৈনো, হেক তৌরগা পোৎ পোৎ পোৎ, পোৎ হায়সি কৈনো?"

"পোৎ হায়দি পোৎ?"

"করি পোৎ?"

"হ্বিস্কি নিবা, সিগনেচর ফুল অমা লৈ হায়দনা মানা পুথোরকপনি, লোইনা থক্লক্তে খিতনি"

"ও ফৈ ফৈ, য়ু থক্লবা নৎত্রা, ঐ বাজিদা তাকথোক্কেবা, খঙনেবা?" ফুক হৌগৎলগা চৎখ্রে থোঙজিন লাম্হোক্লমদাইদুদা কদোমদগীনো খঙদে, ঐগী ফোনদুদা মেসেজ অমা "ত্রিং-ত্রিং" হায়দুনা পাইশিল্লকই। মখোলদু তাবদা মহাক চপ লেপখি।

"কনাগী মেসেজনো?"

"খঙদেদা হৌজিকপু কনাগী মেসেজনো?"

"য়েংঙু কনাগীনো য়েংঙু" ঐ ঐগী ফোনদুদা য়েংই, ইশাসি চেঙ খৈবগুম খংনিক নিক্লকখি। মেসেজদু থোইবীনা থারকপনি। ঐ পাইরক্কী লৌশিং অমা লাক্তুনা ইরায় লায়না খুমখি।

"কম্পেনিগীনি, কৈ কান্নবা, অয়ূক নুংথিলদা লাকপনা লাকপনি, নুংদাংসিদা কম্পেনি কাঙবুসিদি হায়বা কো"

"ফৈ ফৈ" হায়রম্মগা ঐবু য়াম্না থাজগনবী, ঐগী নুপীদু অদুম চঙখ্রে, ঐনা চেপথদুনা বাজিদা হায়দোক্তুইজাৎলা হায়না য়েংই। অদুবু মহাক ফমুংলোমদা ওইনা চঙখিবদগী ঐ শ্বর খরা হোল্লে। মেসেজদু হাংদুনা থোইবীগী মেসেজদু য়েংলুই,

"তূম্লবরা? ঐগীসি ফরক্তি য়াম তারবনি, অদুবু ঐদি তূম্বা য়াদ্রে, অদুনা পূক্নিংসি য়াঙনবা হায়দুনা মেসেজ সিমতং থাখিবনি" ঐ শ্বাই লাউই, মাগীসিবু হনসিরা হল্লোইসিরা খল্লি। ঙাইহাক তূমিন লৈ। নুপীনা ফমুংদা চঙখিবদু অমুক থোরক্লগা য়েংলম্লদি হায়দুনা চেপথরগা হাইরপ য়েংলুরগা, তোৎলিবা চাক্তু চানীংদনা চখোম অমা অমুক হুকচিল্লি। ঐ ঙাওরে, তৌফম খঙদ্রে, থোইবীদি তূম্বা য়াদ্রে হায়, ইথৌমক নৎত্রসু, ঐ মাবু তূম্বা হায়রপতি থেমনীংই। ঐখোয় নুপীসু কি। ঐ চাক মখা তানা চাদ্রে, খূৎ অদুম হাম্মে, অদুগা অরেম্বদু চাক্কুপ্তুনা উপশিল্লগা হৌগৎলে। মপান্দা থোক্লে, ফোনদু পায়রগা কোল তৌসিরা হায়না খল্লি, অদুবু নুপী তূম্মমদ্রদি শোয়দনা ফরক তানরনি খন্দুনা তোক্লে। ইমুংলোমদা অমুক চঙলে। ঐগী নুপীদুদি ইচানুপী অতোনবীদুগা ইশি শিখৈ তূম লৈরম্মে। মদু কান্দুদা ঐ অহিংদা কাংলকপা হুমাংদু তৈথোক্লগা মপান্দা অমুক থোরক্লে। মাঙ্গোলদগী খরা কুমথরগা ঐখোয়গী মমাঙ শঙ্গোইগী মমখ্রবা কাচিন্দুদা চংশিল্লে, অদুগা ফোন লৌথোক্লগা থোইবীদা কোল তৌগে হায়না মাগী নম্বরদু থিরিঙৈদা কাং ময়ামসিনা ইশাসি হেক্তা য়োম্বনি। কল্লাক্তা, নারুমদা, ঙকশমদা ফনা য়াম চিকখ্রে। ঐগী খূৎপাকসিনা লম লামদুনা তাক তাক থারগা ফোনদু মেৎলি। কোল চৎলে, পাক পায়রক্তে। অমুকসু তৌই ঙাইহাক্কী মতুংদা পায়রক্লে।

**-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।